
# পি এম মোদি, সিঞ্জো অবেনা পূন্না ইন্দিয়াগী অহানবা বুলেট ত্রেন শানবা মফম উরেপ উয়ুং তমখ্রে



***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

ইন্দিয়াগী অহানবা বুলেট ত্রেন চেন্নবগী প্রোজেক্ট ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং জপানগী মহাক্কা ফম মান্নবা সিঞ্জো অবেনা পূন্না উরেপ উয়ুং তমখ্রে। বুলেট ত্রেন অদু অহানবা ওইনা অহমেদবাদ অমসুং মুম্বাইগী মরক্তা চেনগনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সিঞ্জো অবেনা হায়, ইন্দো-জপানগী মরী অসি অখন্নবা অমনি। মালেমগী ওইবা থাক্তা অখন্নবা থৌশিনশিংগা লোয়নননা মরী থম্নরি। মপাঙ্গল কনবা ইন্দিয়া অমা ওইরকপা হায়বদু জপানগী অপাম্বনি।

ইন্দিয়াগী ইন্টরেষ্টতা জপান্না থবক তৌরি। অহমেদবাদকী সবরমতি গ্রাউন্দা ঙসি ইন্দিয়াগী বুলেট ত্রেন প্রোজেক্ট অদু লুচিংবা অনীনা পূন্না যত্রা হুনখি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, মহাক্কী মরুপ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি শান্না য়েংবা মীৎয়েং লৈবা লুচিংবা অমনি। মহাক্না চহী ২ গী মমাঙদগী অনৌবা ইন্দিয়া হায়বা থৌশিন অদুগী মখাদা লৈবাক অসিদা অয়াংবা ত্রেন চেলহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

চহী খরগী মতূংদা মহাক্না লৈবাক অসিদা লাকপদা বুলেট ত্রেন তোংদুনা লৈবাক অসিগী ফজবশিং থোঙনাওদগী উবা ফংলগনি খনবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

অহমেদবাদ অমসুং মুম্বাই ত্রেন প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপদা লুপা লাক্ষ ক্রোর ১.১০ চঙগনি। প্রোজেক্ট অদু ইং ২০২২ দদি লোইশিনবা ঙমগনি হায়বগী পান্দম থম্লি। কিলোমিটর ৫০০ লাপ্পা মফম অদু অমদগী অমদা চৎপদা পুং ২ খক্তমক চঙগনি।

মোদিগী ৱাখল্লোন য়েংলগা জপান্না প্রোজেক্ট অদুগীদমক সোফ লোন মখা তানা পীগনি। প্রোজেক্ট ইন্দিয়ান রেলৱেস অমসুং জপানগী সিনকালসেন টেক্নোলোজিগা পূন্না পায়খৎকদবনি।

লৈবাক অনীগী প্রাইম মিনিষ্টরনা বুলেট ত্রেন প্রোজেক্ট অদুগী যত্রা হুনখ্রবা মতূং প্রোজেক্ট অদুগীদমক ভাদোটরাদা মীওই ৪০০০ দা ত্রেনিং পীগনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা পালগর লমদমদা লৈবা লৌমিশিংনা বুলেট ত্রেন প্রোজেক্ট অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। লৌমীশিং অদুনা মখোয়গী লৌবুকশিং প্রোজেক্ট অদুগীদমক লৌশিনখিগনি হায়বগী মীপাইবা লৈবনা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি হায়রি।

ঙসি লৌমীশিংনা বোইসার রেলৱে ষ্টেসনগী মপানদা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখি। প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপদা মখোয়গী লম কয়া মাঙখ্রগনি হায়বগী মীপায়বা লৈ হায়রি।

খোঙজং অদু সেটকারি সঙ্গরস সমিটি অমসুং অদিবাশি ইকটা পরিষদনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। মীয়াম্না অমুবা ফিরান পায়দুনা প্রোজেক্ট অদুগী মায়োক্তা খোল্লাও কয়া লাওখি। মদুতা নত্তনা রাজনিটি দল কয়ানা প্রোজেক্ট অদুবু ইলেক্সন প্রোজেক্টনি হায়না মরাল শিরক্লি।

গুজরাটতা মীখল পাঙথোক্কদবা অদু য়েংলগা প্রোজেক্ট অদু পায়খৎনবা হোৎনবনি হায়না মরাল শিরক্লি।

# বাংলাদেশতা রিফ্যুজি ওইরিবা রোহিংয়াশিংগীদমক ইন্দিয়ানা তেংবাঙ পোৎলমশিং থাখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

ম্যান্মারদা হিংশাগী থৌদোক থোকপনা মরম ওইরগা বাংলাদেশতা চেনশিন্দুনা লৈরিবা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংগীদমক ঙসি ইন্দিয়ানা টন ৫৩ রোমগী তেংবাঙগী পোৎলমশিং পীখ্রে। বৌধ ধর্ম্ম চৎপা মীওইশিংনা মশীং য়াম্না লৈবা ম্যান্মারদা কাঙলূপকী হিংশা থোকপনা মরম ওইরগা রোহিংয়া মুস্লিম লীশিং কয়া বাংলাদেশতা চেনশিল্লক্তুনা লৈরি।

বাংলাদেশনা ন্যু দিল্লিদা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং থেংনবদা মায়োক্লরিবা খুদোং চাদবশিংগী মতাংদা খঙহল্লকখিবা নোংমগী মতূংদা ইন্দিয়ানা ঙসি তেংবাঙগী পোৎলমশিং পীখিবনি।



ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা বাংলাদেশকী হায় কম্মিস্নার সইদ মুজেম অলিনা মমাঙ চয়োন্দা ফোরেন সেক্রেটরী এস জয়শঙ্করগা উন্নখিবা লৈখি। লুচিংবা অনীনা বাংলাদেশতা চেনশিল্লক্লিবা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী ৱাথোক্কী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

বাংলাদেশতা মশীং য়াম্লবা রিফ্যুজি কয়া থোমজিল্লকখিবা অমদি মীওইবা অমা ওইবগী হক য়েংলগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না বাংলাদেশতা মতেঙ পাংননবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি পীখিবা তেংবাঙগী পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা খুদোং থিবা নংলবা মীওইশিং অদুনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং, চানবা চেং, হৱায়-চেংৱায়, চিনি, থুম, থাউ, চা অমদি খুদক্তা চাবা য়ারবা নুদলস, বিসক্যুট, কাংখলনচিংবা য়াওরি হায়রি।

ওপরেসন ইন্সানিয়াটকী মখাদা ইন্দিয়ানা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা পীখিবনি হায়রি।

ওইরিবা ফিভমশিং অদু য়েংলগা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশতা তেংবাঙগী পোৎলম টন ৭০০০ পীননবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

বাংলাদেশকী রোদ ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ওবাইদুল কদরনা ঙসি ইন্দিয়ানা পীরকখিবা তেংবাঙগী পোৎলমশিং অদু লৌখি। ইন্দিয়াগী তেংবাঙগী পোৎলম য়াওবা এয়ারক্রাফ অদু চিটাগোংগী হিথাংফম সহরদা লেন্দিং তৌবগা লোয়নননা লৈবাক অদুগী ওফিসিয়েলশিংদা খূৎশিন্নখি।

ইন্দিয়ানা বাংলাদেশতা তেংবাঙগী পোৎলম পীখিবা হন্দক্কী অসিগা অনীরকশুরে। ১৯৭১ দা থোকখিবা বাংলাদেশ লীবরেসন ৱারগী মতমদসু ইন্দিয়ানা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীখি হায়রি।

ম্যান্মারদা কাঙলূপকী হিংশা থোকপনা মরম ওইরগা মশিং য়ামদবা রোহিংয়া মুস্লিমশিং বাংলাদেশতা থোমজিল্লক্লি। ফিভম অদু মালেমগী লৈবাক কয়ানা মীৎয়েং চঙলকপগা লোয়নননা ম্যান্মারদা ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা অকনবা প্রেসর পীরিবনি হায়রি।

য়ু এন গী পাউ মতূং ইন্না ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতা আগষ্ট ২৫ দগী শাথিবা হিংশাগী থৌদোক থোকপা হৌরকখিবা মতূং বাংলাদেশতা রোহিংয়া মুস্লিম ৩,৭৯,০০০ চেনশিনখ্রে হায়না পান্নরি।

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 958/SDC/P of 2017*

Thokchom Samarendra Singh S/o (L) Th. Gulapchou Singh of Naharup Mayai Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Th. Gulapchou Singh S/o (L) Thambou Singh of Naharup

***- O.P.P.***

**NOTICE**

*Porompat, the 14/09/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 39-Wakha গী Patta No. 197 (অরিবা) 147 (অনৌবা) C.S. Dag No. 263 an area 1.87000 acre of Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতূং ইন্না Case মখা চত্থগনি মতূংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East
Manipur

***SL/2909(a)/15***

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 959/SDC/P of 2017*

1. Farida W/o (L) Najeruddin of Kshetri Mayai Leikai
2. Nawaz Sharif S/o -do- of -do-
3. Md. Kabir Ahmed S/o (L) Md. Helaluddin of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

Md. Najuruddin S/o (L) Kadir Mia of Kshetri Mayai Leikai

***- O.P.P.***

**NOTICE**

*Porompat, the 14/09/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Kshetrigao গী Patta No. 117 (অরিবা) 120 (অনৌবা) C.S. Dag No. 123 an area 0.30000 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতূং ইন্না Case মখা চত্থগনি মতূংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East
Manipur

***SL/2909(b)/15***

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 962/SDC/P of 2017*

1. Nahakpam Memcha Devi W/o (L) Ibohanbi Singh
2. N. Gunindro Singh S/o (L) Kullachandra Singh
3. N. Tomba Singh S/o (L) -do-
4. N. Maningang Singh s/o -do-
   all of Kongpal Naoroibam Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

N. Kullachandra Singh S/o (L) Thopa Singh of Kongpal Naoroibam Leikai

***- O.P.P.***

**NOTICE**

*Porompat, the 14/09/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 29-Top Naoriya গী Patta No. 34 (অরিবা) 83/535 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1014/1206, 1015/1207 an area 0.27500 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতূং ইন্না Case মখা চত্থগনি মতূংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East
Manipur

***SL/2909(c)/15***

# কুলালমপুরদা লৈবা স্কুল অমা মৈ চাকপদা মহৈরোই অমসুং ওজা য়াওনা ২৪ শিরে

***কুলালমপুর, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

মালেসিয়াগী কোনুং কুলালমপুরদা লৈবা স্কুল অমা মৈ চাকপদা ওজা য়াওনা মহৈরোই কয়া শিখ্রে। খুদোং থিবা থৌদোক অদুদা পুন্না মীওই ২৪ লৈখিদ্রে হায়রি।

সহর অদুদা লৈবা টাহফিজ দারুল কুরান ইটিফাকিয়াদা ঙসি শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক অঙনবদা মহৈরোই কয়া লৈবা স্কুল অদুগী মথক থংবা শরুকশিং মৈ হৌদুনা চাকখি। মথক থংবা শরুক অদুগী থোঙনাওশিং য়োৎকী বার য়াওবনা মরম ওইরগা নাম্থোক্নবগী উপায় লৈতবগা লোয়নননা মীওইশিং অদু মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অদু লৈবাক অদুদা থোকপা চহী ২০ গী মতূংদা খ্বাইদগী তমথিবা থৌদোক অমনি হায়না ফায়ার এন্দ রেস্ক্যু দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর খিরুদিন দ্রাহমন্না ফোঙদোরক্লি। অহানবদদি পুলিসনা মীওই ২৫ শিরে হায়না লৌখি। কায়নথংদা থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশীং ২৪ নি হায়বা চপ চানা খঙদোকখি।

লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা ২২ দি চহী ১৩ দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংনি অদুগা মীওই ২ না স্কুল অদুগী ওজাশিংনি হায়রি।

মৈ চাকপগী থৌদোক মতূংদা মীওই ১০ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। লায়কন্নরিবা মীওইশিংগী মনুংদা ৪ গী ফিভম লুরি হায়রি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না ঙসি অয়ূক লোকেল তাইমগী পুং ৫.৪০ চৎপদা মৈ চাক্লে হায়বগী পাউ ফংখি। স্কুল অদু মুস্লিমশিংগী শেংলবা লাইরিক কুরান তম্ফম অমনি। অয়াম্বা মহৈরোইশিং স্কুল অদুদা লৈদুনা মহৈ তম্বনি হায়রি।

অহানবা ওইনা থিগৎপদা ফংখিবা পাউগী মতূং ইন্না খুদোং থিবা নংলবা মীওইশিং অদুনা মফম অদুগী থোঙনাও থুগাইদুনা নাম্থোক্নবা হোৎনখি হায়বা খঙবা ঙম্লি। অদুম ওইনমক চপ চানা ফিক্স তৌরবা য়োৎকী বারশিং অদুনা মরম ওইরগা মখোয় নাম্থোকপা ঙমখিদবা ওইগনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না মৈ অদু ইলেক্ট্রিক সোর্ট সারক্যুট নৎত্রগা কাং তাম্থোক্নবা শীজিন্নবা মোসক্যুটো কোইলদগী হৌরকপা ওইগনি হায়বগী চিংনবা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অদুদা মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা লৈঙাক্না পীবা চৎন-পথাপ ঙাক্তনা থবক তৌবা কয়া লৈরি। মদুগী মনুংদা স্কুল অদুসু অমা ওইরিবনি হায়রি।

ইং ২০১৫ দা টাহফিজ স্কুলশিংদা মৈ চাকপগী থৌদোক ২৯ লক থোকখিবা লৈখ্রে হায়না মালেসিয়াগী অর্বান ৱেল বিয়িং এন্দ হাওজিং মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখি।

মালেসিয়া ওথোরিটিনা হৌজিক ধর্ম্মগা মরী লৈনবা নিয়ম ঙাক্তবা প্রাইভেৎ স্কুলশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা মীৎয়েং থম্লে হায়রি।



# আই এস মিলিটেন্টশিং দের অল–জোরদা থুংখ্রে

***সনা, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

সিরিয়া – লেবানন ঙমখৈদগী চেনখিবা আই এস মিলিটেন্ট ৩০০ অমসুং মীচম ৩০০ আই এসনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা সিরিয়াগী নোংপোক থংবা ঙমখৈগী শরুক্তা থুংখ্রে।

সিরিয়া লৈঙাক্না আই এস কী মীওই কয়া পুবা কনভোই অদু লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিনবগী অয়াবা পীখিবগী মতূং ইন্না আই এস মিলিসিয়া অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিং সিরিয়া – লেবানন ঙমখৈ পরীংদা য়ৌবা ঙমখিবনি হায়রি।

মীওইশিং অদু মতম শাংনা মরুভুমিগী লমদমশিংদা পন্দুনা লৈরুরবা মতূং মখোয়গী পম্থুংফম য়ৌখ্রে। আই এস কী মায়োক্তা লৈবা চুংশিন্নবা কাঙবুনা মিলিটেন্টশিং অদুনা লাঞ্জেন্নখিবা অদু দ্রোন শীজিন্নদুনা নোংথক্তগী য়েংশিনখি।

চুংশিন্নবা কাঙবুনা মিলিটেন্টশিংদা টার্গেট তৌদুনা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থবদা লমদম অদুগী থোং কয়া কায়খ্রে। লোয়নননা লম্বীশিংদা বোম পোখাইবগী অচৌবা কোমশিং লৈবা উরি হায়রি।

আগষ্ট ২৮ দগী হৌনা আই এস মিলিটেন্ট অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিং মখোয়না হান্না লৈরম্বা মফমশিং থাদোক্তুনা চেনবা হৌখিবনি। লেবানন লান্মীনসু চপ মান্নবা মতমদা অকনবা ষ্ট্রাইক চত্থরকখি। লোয়নননা য়ু এস না লুচিংবা চুংশিন্নবা কাঙবুনসু আই এস কী মথক্তা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থরকপগী মরম ওইরগা মিলিটেন্টশিং অদু খাঙবা ঙমখিদবনি হায়রি।

# যমুনা তুরেলদা হি লাকশিনবদা মীওই ২২ ইরাক্লদুনা শিখ্রে, লৈখিদ্রবশিংদা লুপা লাক্ষ ২/২ পীরগনি লাওথোকখ্রে

***বাঘপট, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

মী কা হেন্না তোংশিনবা হি অমা ঙসি যমুনা তুরেলদা লাকশিনখিবদা মীওই ২২ ঈরাক্লদুনা শিখ্রে। অদুগা মীওই কয়ানা থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেত ভাৱানি সিংহনা ফোঙদোরকখিবদা হি অদু মীওই ৬০ তোংখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ২০ রোম লাপ্না লৈবা কাথা খুঙ্গং মনাক্তা হি অদু লুপখিবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মীওই ২২ গী অশিবা হকচাং ঈশিং মনুংদগী লৌখৎপা ঙমখ্রে। অদুগা মীওই ১০ না হিংনা কনবা ঙম্লে হায়রি।

খুদোং থিবা থোক্লিবা মফম অদুদা হৌজিক মখা তানা থি-হুম্বগী থবক চত্থরি। হি অদু মীওই কা-হেন্না তোংশিনখিবনা মরম ওইরগা খুদোং থিবা অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা নুপীশিংনি। হি অদুনা তুরেল লাম্থোক্নবা হোৎনবদা ঈয়াই য়ৌরকপদা খুদোং থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেত ধরমপাল সিংহনা ফোঙদোরকখি।

হি অদুদা করিগীদমক মীওই কয়া কেপাসিটিগী ৱাংমদা পুদুনা চৎলিবনো। মদুনা মরম ওইরগা খুদোং চাদবা কয়া থোকহল্লে। খোইশাওনরবা মীয়াম্না বাঘপটতা খোঙজং চঙশিনখ্রে। লোয়নননা অথুবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পীবা য়াবা তেংবাঙশিং পীগদবনি হায়রি।

খোয়শাওনরবা মীয়াম অদুনা হায়ৱে থিংবগা লোয়নননা গারী কয়া মৈ থাদোকখ্রে হায়রি। মীয়াম অদুনা অশিবা হকচাংশিং অদু লম্বীদা পুথোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। লোয়নননা থৌদোক অদু থিগৎনবসু তকশিনখি হায়রি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী নক্নবা মরী-মতাদা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদগী লুপা লাক্ষ ২/২ পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে



## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East**

*Ref. :- Mutation Case No. 254/SDC/KBT of 2017*

1. Konthoujam Shyam Singh S/o (L) Shamu Singh of Arapti Mayai Leikai
2. K. Rashi Devi W/o Shyam of -do-
3. K. Damudor Singh S/o -do- of -do-
   Applicant No. 1,2,3 .18 acres (North)
4. -do- Sanayai S/o -do- of -do-
5. -do- Romita Devi W/o Sanayai Singh of -do-
   Applicant No. 4,5 .09 acres (Middle)
6. -do- Ngouba Singh S/o Shyam Singh of -do-
7. -do- Ranjita Devi W/o Ngouba Singh of -do-
   Applicant No. 6 and 7 (.09 acres South)

***- Petitioners***

***-Verses-***

Late Konthoujam Shamu Singh S/o (L) Jatra Singh of Arapti

***- O. P.s***

**NOTICE**

*Keirao Bitra, the 14th September, 2017*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East/KBT Circle গী Village No. ৫১– আরাপতি গী Patta No. ৩০৭ (অরিবা) ৫৪ (অনৌবা) C.S. Dag No. ২২১ an area ০.৩৬০০০ acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং মচা মমৌশিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. KBT Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector**
KBT, Imphal East
Manipur

***SL/2909(c)/15***

## GAS TODAY

**Imphal LPG Service**
Booking ............ 30/05/17
Sl. No. upto 13700
Valid .................. 16/05/17
Stk ... 306

**Hrangchal Gas Agency**
Booking ............ 27/05/17
Valid .................. 17/05/17
Stk ... 306 (Aadhar Link Only)
Time ... 7.30 to 10.30 am

**Khumbong Indane**
Booking ............ 12/06/17
Valid .................. 09/06/17
Stk ... 306
Time ... 7.30 to 10.30 am
Rate Rs. 704.50

**Khongnang Gas Ningthoukhong**
Booking ............ 17/04/17
Valid .................. 15/04/17
Stk ... 306
Time ... 7.00 to 10.00 am

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking ............ 03/05/17
Valid .................. 20/04/17
Stk ... 610 CTC
Time ... 7.30 to 11.00 am

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking ............ 25/04/17
Valid .................. 20/04/17
Sl. No. 2500
Stk ... 400 DBTL
Time ... 7.00 to 09.30 am

**Manipur Police Gas Service**
Booking ............ 31/05/17
Valid .................. 29/05/17
only for CTC & DNSC
Time ... 10.00 to 01.00 am
Stk ... 306

**সনা–সুদোকু – ৯৩৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 7 | 9 | 3 | 8 | 6 | 2 | 1 |
| 1 | 9 | 2 | 7 | 5 | 6 | 4 | 8 | 3 |
| 8 | 3 | 6 | 4 | 1 | 2 | 5 | 9 | 7 |
| 2 | 1 | 3 | 5 | 8 | 4 | 9 | 7 | 6 |
| 7 | 8 | 5 | 3 | 6 | 9 | 2 | 1 | 4 |
| 4 | 6 | 9 | 1 | 2 | 7 | 8 | 3 | 5 |
| 9 | 2 | 1 | 6 | 7 | 5 | 3 | 4 | 8 |
| 6 | 7 | 8 | 2 | 4 | 3 | 1 | 5 | 9 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 9 | 1 | 7 | 6 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-936**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 5 | | 4 | | | | |
| | | | 9 | | 5 | | | 8 |
| | | | 1 | | 6 | | | 5 |
| | 1 | 9 | | | 8 | 3 | | |
| | | | | | | | 7 | |
| | | | | | 3 | 5 | | |
| | | 7 | | 5 | 4 | | | |
| | 2 | | 3 | | | | 9 | 1 |
| | | | | | 1 | | 5 | 6 |